## চৈরাওবগী পাউজেল

### মপোক তরেৎলক্তা থেংনগুমসিকো

ঙসিসি শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা নুমিৎনি। থবানগী মতুংইন্না লমতাগী থাশু (থাশি), ৩০নি পানবগা শজিবুগী নোংমা পানবগা য়েৎশিন-তিনশিন্নে হায়। অদুবু উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী মায়চৌ পুরেল য়াওনা খেনচংলোন শুবা অখঙ-অহৈশিংনদি ঙসি (এপ্রিল ১৯,২০২৬) কী অয়ূক পুং ৬কী মতুংদগীদি লমতাগী থাশুগী মতম অমসুং পুংফম লোইরে, শজিবু নোংমা পানবা হৌরে হায়। ৱাফমসি তয়াং-তশোইননা, ইয়াং-য়াংনা হেক্তা হায়রকপা নত্তে। চপ-চানা পুং ৬কা মিনট অসুক অমসুং সেকেন্দ অসুক চৎপদগীদি শজিবু নোংমা পানবগী পুংফম চঙলে, নোংমা পাল্লে হায়রকপনি। মরম অসিনা শজিবু চৈরাওবগী মথৌ-তাবা থৌরম অমদি লাইথৌশিং পাঙথোকপা য়ারে হায়বনি। অদুগা ঙসিগী নুমিৎসিগী লাইগী থৌরমশিং পাঙথোক্লবগীদমক শেংদোক্তুনা কোকথোক-চামথোক্লবা শেংলবা কংলা লাইফমদগী ঈরু-ঈশেং লৌদুনা ঈরৈচা খ্বাই মীয়ামদা য়েন্থোক্তুনা ফংহনখ্রে। মীতৈ/মৈতৈগী লাইনীং চৎপা মীওই পূম্নমক্না য়ূমথোঙ য়ৈনা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোক্লগদোইনি। থৌরমসি ফূরুপসিনা লাইগা শম্নরিঙৈদগী হৌনা পাঙথোরক্লবনি হায়না থাজনৈ। মরম অসিদগী হৌজিক ফাওবদা 'মৈনা ৱায় তাংনা সম' তৌদুনা মখা চত্থরক্লিবনি। পাঙথোকফমসু থোকই। চহী নৌরিবা অঙাংশিংগীনা চহী য়ামখৎলক্তুনা মপূং-মরৈ ফারকপা পাম্নরিবনি। অনৌবা চহী লাকপদা হরাওনা তরাম্না ওক্নরিবনি। চহী য়ামশিল্লক্লবা মীওইশিংনা অনৌবা চহী হাপকৎলকপদা য়ানীংদবা য়াওরবসু লেপ্তুনা চেন্থবা মতমগী ঈচেলনা পুরকপা মীতৈ/মৈতৈগী অনৌবা চহী হৌবা নুমিৎনি। ফূরুপসিদি অতোপ্পা মালেমগী মীওইশিংদগী তোঙাল্লি। অনৌবা চহী লাকপদা 'হেপ্পি ন্যু য়র' হায়দুনা বম্বুলা, মৈকাপ্পী থারগা অশাবা রোকেট থাগৎলগা পোকখায়হনবা অমসুং মচু-মমেন কয়াগী মৈগী কুম্মৈশিং পাঙথোকপগী মহুত্তা অনৌবা চহীবু হরাও-তয়াম্না ওক্লগা নুংঙাই-য়াইফবা পুরকউ, পীনবীয়ু, মীশি-মীনা থোকহনবীনু, মহৈ-মরোং মরীক চুমহনবীয়ু, লৈবাক মরা তপ্না-ঈংনা পানবা ওইরসনু হায়দুনা ঈরাৎ-থৌনি, থৌরমশিং পাঙথোকই। ঙমজবা তলা-লুকোই শেম-শাদুনা থোঙ্গাল-কোন্থোংদা কৎথোক্তুনা-তমদুনা খুরুম্নে। ফত্তবা লাইনি হায়বশিংগী চাকথাক তমথোকপনি। এঙ্গাং মথেলশিং য়াওনা চাক নীংথিজনা চারগা অৱাংবা অমসুং অঙম্বা চীং কায়। মসিগী ৱাহন্থোক্না নহানমখৈ চাবদগীদি চৈরাওবা নুমিৎসিদা চাবনা খজিক্তং ওইরবসু হেনবনিনা চাশিন-থকচিনখিবশিংদু তুমহনবগা লোয়ননা মমাঙ চহীদগী হন্দক চহীনা পাঙ্গল কয়াম-য়াম্না ময়েং তারে নৎত্রগা তাদ্রিবগে হায়বসিসু অৱাংবা হায়বদি চীং কারগা হেন্না ময়েক শেংনা খঙবা মাল্লে।

অদুবু মীতৈ/মৈতৈনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী পাঙথোরক্লবনি হায়রিবা শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবগী থৌরমদা পাঙথোক্নরক্লিবা লাইথৌশিংসি শিদ-নাদনবা, পূন্সি-নুংশাংনবা অমসুং খুঞ্জাও-লৈচাওনবনি। মালেম পূম্বগী ওইনসু মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা কাঙলূপসি লোইবা-খম্বা হায়বদি শিবা নাইবদগী 'মেন ইজ মোর্টেল' হায়নরকই। মীতৈ/মৈতৈগীসু মীওইবগী পূন্সি তম্বা ঙমদে, 'ঙসি শিনি পাউজেন্দে, হয়েং শিনি পাউতাক্তে' হায়বা চুমখ্রবা ৱাফম'সিমা ঙসি ফাওবা চিন্থাং য়ৈনা ঙাঙনরকই। ৱাফমসি হৌজিকসু অদুম্মক চুমদুনা লৈ। অদুবু মমাঙ-মমাঙগী হৌখ্রবা-কুইখ্রবা য়ামখ্রবা ময়াম কোৎথোক্লুদ্রবসু মে ৩,২০২৩দগী হৌজিক ফাওবদা লৈরক্লিবা-ওইরক্লিবা মণিপুরগী ফীভমশিংসিগা মরী লৈনবা খো-খোৎপা পূম্নমক্কীদি চৈরাওবগী মরু ওইবা লাইথৌগী মনুং-চল্লিবা 'শীংশৎপা' অমদি 'শীংথাবা'গী থৌরমদা কোনশিনবগী মহুত্তা খরা থুনা অমং থরৈ কুমজ খিদুনা হল্লক্লরোইদবা 'অশি-লমদম' তম্না খোঙদোই হুঞ্জখিবনা ফরগদ্রা হায়না খল্লকপনি। চৈরাওবা নুমিৎ নোংমা ৱাৎলিঙৈগী নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম য়াচঙলকপা মতমদা অমাইবশিংনা খোইয়ুম হৈবোক চীংগী লাইফমদা ঈরাৎ-থৌনিবদা, শীংশৎলুবদা মখোয় ময়ামসি কান্থোক্লম্বনা ফরনি। চৈরাওবা মমাঙ লমতা থাগী অহানবা থাংজ নুমিৎতা চহী অমগী নাগদবা-শিগদবা মীওইশিংগী মীশিং পূম্নমক খোইয়ুম লাইয়াম্না খুন্দিন্নরগা শীংথেক্তুনা শীংথাখিবশিংদুবু শিহন-নাহনবীগনু হায়দুনা শীংশৎপদসু য়াওহল্লগুমসি হায়বনি। মীওইবা হায়বসিগী মরক্তগী লাইনা পীরকপা চেঙজেল লোইশিল্লক্তুনা অমসুং থেক্লকপা চৈথেক শুরদুনা থৱায়গা-হকচাংগা শেৎন-খায়নবা হায়বদুনা তঙাইফদবগী ৱানি। মসিমক্না অশিবগী খায়াৎতগী নান্থোকপা কনামত্তনা ঙমদে হায়নরক্লিবনি। পূক্নিং ৱাখল চোইরকপা অমসুং মখা তানা হিংলুবদা করিমত্তা কান্নদ্রে, হিংনীংদ্রে হায়রকপা মীওই খরনা ঙমজবা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা মপূন্সি মাঙহঞ্জবা য়াওবগী ৱানি। থৌওইনা পঙশিদা-শিনীংবা মীওইশিং লৈরম্বা হৌনদে। শিবদি লায়রদনা খূৎতা তুম য়ুরকপদা, খোঙবীদা মচি চঙলকপদদা হন্দোক-কোখোক্নরিবনি। শেল অমসুং মতম চঙনা লায়েংনরিবনি। অদুবু মে ৩,২০২৩দগী হৌরকখিবা লানসিগী ৱারোইশিন ঙসি কুমজা ২০২৬কী শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা-চৈহৌবা নুমিৎসি ফাওবদা পুরক্ত্রে। ৱারোইশিন পুরক্ত্রবনিনা লান শোক্নরক্লিবা ফূরুপ অনীনা অমনা-অমনা লৈবা মফমশিংদা চঙন-থোক্লা য়াদ্রি। ইমুং লিশীং ১০ হেনবগী আই দি পি লিশীং ৪০ হেন্না মশাগী ময়ূমশিংদা হঞ্জিনহনবা ঙমদ্রি। ফীভম পূম্নমকসি কোকথোক-চামথোক্লগা মতেফম অমসুং মহনফমদা তেকশিন-হঞ্জিনহন্নবা তৌখিব্রা নৎত্রগা করিগীনো চপ-চানা খঙদে। পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রিদু থোক তোকহনখি, প্রসিদেন্টস রুল নমথম থমজিল্লুই। থা ৬/৬ থেঙ্খাং অনীরক্তা শাংদোকহল্লম্নগা চহী ফাগদবা নুমিৎ খরনিদা ঙাইরক্লবা মতমদা লৌথোক্লগা অনৌবা লৈঙাক অমা তনশেম শেমহল্লি। অদুবু ফেব্রুৱারী ৪, ২০২৬তগী লিংলক্লিবা লৈঙাকসি ঙসি চৈরাওবা নুমিৎ ফাওবদা অৱাৎপা মিনিষ্টরশিং হাপচিন্দুনা মপূং-মরৈ ফাহন্দ্রি। থা শুদনা পোকপা অঙাংদৌনা য়েংবা নুংঙাইত্রি। কোইনা চৎলসু, লাপ্না থিরসু শিন্থোং খঙদবা, দেল্লীগী অঙম্বশিংগী পুঙলোনদতা জগোয় কোৎপশিংনা হান্নগী হান্না হামু-হামুদা অদুম্মক লৈরি। ফীভমসিদবু অনৌবা কুম অমা হৌবগী চৈরাওবগী থৌরম পাঙথোকপদবু মথৌদাংদি লৌগদবা, লৌফমসু থোকপা অদুবু লৌবদি ঙমজদবশিংসিগীসু শীংশৎপা-শৈথাবনচিংবা লাইথৌশিং পাঙথোক্লুখিগদ্রা হায়বনি। পোকঙমদনা পোকপা মীওইপোক্নি হায়। 'ব্রহ্মা' কৌবা লাইদুনা চহী ১০০ জব তৌবদা পোকঙমখিদেসু হায়। মরম অসিনা হৈ-লৈ থৎপদৌনা পৎ থৎলগা লৈমায়দা পোপ তাদুনা খাওতেক-খাওমাঙনখিববুদি ওন্থোক্না নুংঙাইহৌরোইদোইনি। অদুবু লানসিদসু নুপী-অঙাং য়াওনা মীওই ৩০০ মুক্কী পূন্সিশিংসু মাঙখ্রবনি। 'মল্টি ওর্গান ফেলিয়র' ওইবদগী হিংলবসু থাংদোক-থাংজিন তৌরগদবশিংসিদি অরোইবা খোঙচৎতা চৎখ্রসনু! মপোক তরেৎলক্তসু অয়ম্বশিংসি থেংনদবা ওইরসিদা!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্‌থৌলোল্‌ লম্‌পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৭২৭)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কবোনা তেংথানা। তোংচেং খারা পালশাববুদি (হিথাং শাবা)। চানতাআও কৌয়ে। ঈংথী ঈরম ঈলনা। খারা খেনচঙ হেননা। হিথাংফম ফজনা শানা খুলতাইয়ে। অদু নুমিৎতগী। চানতাআ খুললেল লৈ ও মিংথোল মিংকৌয়ে। লাইরেল মৈদিংঙুনা অংগো চীঙশাং শমনা। চানতাআ লমদম পুঙলেল য়াইদা। তুবী মতিক উৎনা। লাইরেল মথৌনা ফুদোকনা। ●

[illegible]



## নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৫৭ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

ঐনা খ্বাইদগী লুনা লৌজবা শুমাং লীলাগী অহল খরা লৈ। হৌজিক্তি অয়াম্বনা তাইবঙ থাদোকখ্রে। মখোয় লোইনমক মীয়াম্না শক খঙনখিবা ঙাক্তনি। য়াম্নদি য়াম্মী। খরদং মিং পঞ্জগে। এল ইবোতোম্বী শর্ম্মা (বিরসিং শাবা হায়রগা খঙনবা), মংসিদাম বিনোদ (জগৎসিং দাকু শাবা হায়রগা খঙনবা), ঐজ্ঞা জুগেশোর শর্ম্মা (চৈতৈ শাবা হায়রগা খঙনবা), লৈতাম তোমাল সিংহ (চুনিবাবু শাবা হায়রগা খঙনবা), অয়েকপম ইনাকখুনবা (দেবদাস শাবা হায়রগা খঙনবা, হৌজিক লৈরি), কাঙুজম অচৌবী সিংহ (কামিনিসনা শাবী হায়রগা খঙনবা), তখেল্লম্বম চাউবা (ইপোম), ওইনাম বাবু (ইপোম), এস তোম্বী (ময়াং ইম্ফাল তোম্বী), কুঞ্জরাজ সিংহ (গৌরো শাবা হায়রগা খঙনবা), তা ভৈগ্য (না পঙবী শাবা হায়রগা খঙনবা), তা রাবৈ (সাবিত্রি শাবী হায়রগা খঙনবা), কৈশামথোং মাম ইবোতোম্বী (ডা. বাবু শাবা) অতৈসু য়াম্না লৈ খরদং অসি পঞ্জগে। ওজা অহলশিং অসি ওন্থোক্না মতিক-ময়াই চেনবা ঙাক্তনি। য়াম্না ঙক্লিবদি মখোয়দা চাওথোকপা লৈতে। করিগুম্বা অমা হংবদা মখোয়না খঙবদু গোরোং-গোরোং হেক্তা হায়, পনবা লৈতনা খঙদবা ঐবু খঙহনবী। মবুক লোমদে, চাওথোকপা লৈতে। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ময়াম অসিদগী ঐ য়াম্না তমজরকখি। ঐগসু লীলা মতেক-মতেক পুনমিন্নদুনা লীলা শান্নমিন্নরকপা খরা য়াওরি। মখোয়দুদি - বিনোদ, কৈশামথোং মাম ইবোতোম্বী, এল তোমাল, এ ইনাকখুনবা, লৈতাম তোমাল অসিনি। অতৈ অহল লমনশিং অসিদগী ঐ ফনা য়াম্না তমজরকই। মতাং-মতাং ঐনা হেক পামজবা অমদি ঐনা হেক খঙদবা, শুমাং লীলাগী ৱারী লীখুনবু ওইরো মখোয়দগী ঐ য়াম্না খঙজহৌই।

খরা হেন্না নকশিন্না লীলা মপূং ওইনা ফজনা তম্লকপশিংগী মনুংদা এল ইবোতোম্বী শর্ম্মা, মৈত্রাও ওজা অহল অসিদি ঐবু 'নীংথেম-নীংথেম' হায়না নুংশিনা কৌবীদুনা য়াম্না তম্বীরকই। ঐনা শাথীরিসু অতোপ্পা ওজা অমদা লীলা তম্লবসু, ওজা অহল অসিগী মনাক্তা হেক্তা চৎলগা মতেক অমতং ওইরসু তমহল্লি। নোংমা য়াম্না নোক্লিংবা অমা লৈ। মসি ঐনা ৱারী ওইনা সুম হায়বদি, লীথোকপদি লৈখ্রে, অদুবু ইথোল্লগদি অমুক্তা থমদ্রি, ঙসিদি ঐ ৱারী মতেক অসিমতং ইথোল্লগা থমজগে। ওজা অসিদা ঐনা খঞ্জবা লুরা-লুরবা লীলা কয়াগী মতাংশিং, অতোপ্পা ওজানা তম্বীবদা ঐনা কয়া নাচংদবদু ওজা অহল অসিগী মনাক্তা ইথন্তা চৎলগা হেক-হেক তান্নে। ওজা অসিনসু ঐবু নুংশিনা নীংথেম হায়না কৌবীরগা তাকপী, য়াম্না থৱায় য়াওনা তাকপী। ওজা অসিনা মীৎ অনীনা নোকফেৎ তৌরগা খজিক নোকপগী মীৎতা অদু ঐ ঙসি ফাওবা নীংশিংলি, ইজ রিঙৈ মীকুপ অসিসু ওজাঅহল অসিবু নীংশিংলকপদা পি ঈহৌরক্লি। য়াম্না নুংশি, য়াম্না ঈংই-য়াম্না তপ্পী। ওজানা ঐঙোন্দা ৱা ঙাঙবগী, দাইলোগ দেলিভরিগী ষ্টাইল কয়া অসি ওন্থোক্না নীংথিনা তম্বীখ্রে। লীলাগী খোঙচৎ অদুগী মতুংইন্না, করেক্টর অদুদা ফাওরিবা ফীলিংস ইমোশন কয়া অদু নীংথিনা য়োক্তুনা থল্লগা, ঈংনা-তপ্না নুং ফাওনা ঙাঙবসি ওজানা ঐঙোন্দা তম্বীবনি। ঈ থক্লবা কংলাশা হায়বা লীলা অমা ঐখোয়না শান্নখি। মদুদা ঐসি মমা-মপা মশক খঙদবা, কনানা পোক্লম্বনো হায়বা করিমত্তা খঙদ্রবা, ঙাওশিন্নবা, অয়ূক অঙনবদগী বজারদা তাবা, সিনেমা টিকেট কলাবজার তৌবা, মীগী ফুরিৎখাওদগী শেল শৎপা, অদুগা অতোন-অতাশিংদা মতেং পাংথোকপা অরেম্বদুনা য়ু তপ তাখৈ থকচিল্লগা মাগী পেন্দবা কয়া অদু ইফোং ফোংনা ঙাঙথোকপা 'হেরা' কৌবা রোল অমা শাখি। লীলাদু লৈখিদ্রবা ওজা বিরজিৎ ঙাঙোম্বনা তম্বী। য়ু ঙাওরগা লাকপা, নুংদা লৈরিবা পেন্দবা কয়া অদু ফোঙদোক্তুনা ঙাঙবগী ষ্টাইল অদু ঐনা ওজা অহল অসিদগী পামজবনা, লোন্না-লোন্না ইথন্তা ওজা অহলগী য়ূম মৈত্রাও তান্না চৎলগা লীলাসি হেক-হেক তম্মী। অসোমদা ময়াম লীলা পুনবগী মতমসু কায়হন্দনা ঐ মৈত্রাওদা চৎলি হায়বা খঙহন্দনা তূমিন্না চৎলিবনি। ওজা বিরজিৎনা লীলা তম্বীবসিসু ওন্থোক্না চেকশিন্না তম্বীবনি। নুমিৎতু লীলা তম্বা লোইবদা অহিংগী পুং ২ মখায়মুক তারম্মগনি হায়না খল্লি। হয়েং অয়ূক পুং ৮দগী তম্বা হৌসি হায়না লেপ্নরে।

ময়ামদু ওফিসতা হল্লগা য়ূম লাপ্পশিংদি ওফিসতা ওইনা পোন্থানরে। ঐ য়ূমদা হন্নবা লাক্লে। অদুবু লম্বীদা ঐনা খল্লি। ওজা অহলসিগী মনাক্তা চৎলগা হয়েংদি ষ্টাইল অমদা ঐ ৱাসি ঙাঙনবা হায়দুনা অদুম খনবদগী, য়ূমদা চঙলুরগা তূম্লুরদি, ৱাসু ৱারবনিনা তূমথখ্রগা ঐ চৎনবা মতম ফংলরোই অয়ূক পুং ৮দা লীলা অমুক তমগদৌরিবনিনা হায়না ঐ য়ূমদা চঙদ্রে। মৈত্রাও তান্না গাড়ীদু থৌধরে। মতমদুদা ঐগী পূন্সিগী অহানবা ওইনা লৈজবা, গাড়ী চেতক অমনবা অমা লৈ। মখোলগা হৌখ্রজাৎনি। অদুগী মমাঙদদি সাইকলনা লোইনা চৎলম্মীবনি। মদু থৌরগা চৎলে। হৈরাঙ্গোইথোং য়ৌরকপা মতমদা গাড়ীদু ষ্টার্ট মুৎখ্রে। ফনা কুইনা ঐ কিকতু কাওরগা ষ্টার্ট হৌনবা হোৎনৈ। অহিংদু পুং ৩ খরা হেল্লম্মনি। ইশাদু নোংঙাল্লমদাইদুদা হুমাংনা পুল্লুপ লুপ্লে। চাকসু চাদ্রিবনি, অহিং তূমদনা লীলা তম্লুবগীসু ৱাবনা লোইরবনি। উচিন নাচিন্না ষ্টার্ট হৌরে। ঐ হরাওনা গাড়ীদু ষ্টার্ট মুৎখিদনবা শেন্নরগা তপ্না-তপ্না থৌরকপনা হিয়াংথাং য়ৌরে, অদুদগী অমুক হাইজিল্লগা মৈত্রাও য়ৌরে। ওজাগী য়ূম য়ৌরে। কনাসু হৌগৎপা মতম নৎত্রি। ঐসু ইশাসি উইরবনি। ৱাবনসু পোপ তারবনি। ওজাহোইগী মাঙ্গোলদা ফান অশাংবা মী অহুম-মরিমুক ফম্বা চনবা অশাংবা পাম্বোম য়াওবা উনা চনবা চৌক্রি অমনবা অমা থাই। অদুদা ঐ ঙাইহাক্তা হিপকে হায়না খল্লে। ওজাগী য়ূমগী চুরি তাফমদা ঐগী খোঙউপ্তু লৌথোল্লগা থনম্মে, দারিদা খূৎনা লাইবক অহুল্লক কৎলগা কাখৎলগা ঐ হিপথৈ। অশ! কয়া নুংঙাইরে। ঈংখ্রবদুদা ঐ তূমথখ্রজাৎনি। ওজাগী য়ূমগী ইহান হান্না হৌগৎপা মী অমনা থোঙ হাংদোল্লগা থোরকপদা ঐনা মাঙ্গোলদা থাবা চৌক্রিদুদা হিপ্লম্বদু উবদা খংদুনা 'হো ইমা' হায়না লাউরকপদা ঐসু য়াওনা খংলগা ফুক হৌগৎলি। ঐ ওইরম্বদুদা লোইনমক ৱারী শানরগা খঙনরে। ওজা হৌগৎপা ঙাইরগে হায়না ঐ ফম্মী।

ওজা অহল হৌগৎলক্লগা, মাঙ্গোলদা লাই খুরুম্মী। তাঞ্জা য়েংদুনা ঐনা ওজাগী খোঙদা ইঙক নোম্থদুনা খুরুমজখি। অদুগা ঐবু ওকপীরগা, কৈগীনো সুক ঙন্না লাক্লিবদি হায়না হংবীখি। ঐনা ৱাফম পূম্বা তম্লবদা, ওজানা অয়ূক্তুদা মপি ইরা চেনখৈ, "ইশ... ওন্থোক্না নুংশিরেদকো" হায়না ঐবু নুংশিনা তরাম্না ওকপীখি। ওজানা অয়ূক্কী থবক লোইশিল্লগা, ওজাহোয়গী মান্দবতা ফম্মীন্নরগা ৱারী হৌখি। ওজাহোয়গী ষণবী শঙ্গোম থোকপী লৈ মতমদু। শঙ্গোমদু শুম্মীবদুদা ওনশিল্লগা শঙ্গোম লোল্লকউ হায়না থৌদাখি। অদুগা লীলা তম্বীবা হৌই। ঐ থৱায় য়াওনা ওজাদগী তমজখি। শঙ্গোম লোল্লগা গ্লাসতা পুথোরকপদুদা ওজানা হায়খিবদু ঐ ঙসিসু কাউদ্রি, "গ্লাস মচাসিনা য়ারোই, খরা চাউবা গ্লাসতা হৈরকউ, ফজনা পীথক্কদবনি" হায়বীখি। ওজা য়াম্না নুংশি, ঐ ইবা ঙমদ্রে, ঐ য়াম্না ইমোশনেল ওইরে। পূন্না অমুক্তা নীংশিংজগে। ওজাবু য়াম্না নীংশিংলকই ... সিগী মখা তাবা ওজানা তম্বীখিবা ৱারী মখা য়াম্না লৈরি, মথংদা ইজরক্কে। ●

## মতম চানা অমদি চাং নাইনা

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১৬১
**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

চয়োল অমগী, থা অমগী চরা নোংমদা চাবা ওইথোক্তে। নোংমগী চরা ফাওবা চরা অনী/অহুম্লক থোক্না চানরিবনি। নোংমদা চরা অনী/অহুম্লক চাবসিসু চরা অমদা লোইনা চাশিনবসু য়াবা নত্তে। চরা অনী/অহুম্লক থোক্না চাবতা নত্তনা চরাশিং অসি চাবগী মতম খাইদোক্তুনা চান্নরিবনি। মসিগী মথক্তা নুংতিগী চাং নাইনা চাবসু মথৌ তাই।

মতৌ অসুম্না করিগুম্বা থবক অমা নীংথিজনা, মায় পাক্না পাঙথোক্কে অমদি পূন্সিদা পান্দম অমা ফংগে হায়রবদি নোংমগী তৌগদবা তৌফম থোকপা শরুক্তো তৌথোকপা, লোইশিনবা অমদি চাং নাইনা তৌবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা, মরক মরক্তা পোত্থাবগী মতমসু পীবা মথৌ তাই।

খুদম ওইনা হায়রবদা চয়োল অমদা লোইশিনগদবা থবক্তো নোংমদা লোইশিনবা য়াবা নত্তে, থা অমদা লোইগদবা থবক্তো চয়োল অমদা লোইবা য়াবা নত্তে।

মতৌ অসুম্না পূন্সিদা ফংনীংবা পান্দম অমা ফংনবা হোৎনবদা অহানবা খোঙথাংদগী হৌরগা পন্থুং য়ৌদ্রি ফাওবা খজিক-খজিক তপ্না তপ্না চাং নাইনা চহী কয়া চঙনা হোৎনবা মথৌ তাই। মসিমক্নি মায় পাক্লবা মীওই খুদিংমক্না থাংলিবা খোঙথাংসু।



শান্নরোয় অমনা চয়োল অমা, থা অমা নৎত্রগা চহী অমা কন্না শান্নরগা নেশনল নৎত্রগা ইন্টরনেশনল কম্পিটিশন য়াওবদা মকোক হেক্তা ওইবা ঙমগদবা নত্তে। মাগী মাগী মশান্না অদুগী মতুংইন্না নোংমদা পুং অসুক শান্নবা, চয়োল অমদা নুমিৎ অসুক শান্নবা, পুং কয়া পোত্থাবা, নুমিৎ কয়া পোত্থাবা হায়না খায়দোক্তুনা চহী কয়া চাং নাইনা শান্নবা মথৌ তাই। মসিগী মথক্তা অফবা, মচি ওইবা চীঞ্জাকশিং চাদবসু য়াদে। অসুম্না নোংমগী খজিক-খজিক চাং নাইনা শান্নদুনা, অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাকশিং চারগা ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোল অমগা লোয়ননা চহী কয়া হোৎনবা শান্নরোইশিংদুনি মায় পাক্লিবা মাগী-মাগী মশান্নদুদা। চয়োল অমদা, থা অমদা নৎত্রগা চহী অমদা হেক্তা শেমগৎপা য়াবা নত্তে চেম্পিয়ন অমা ওইবা হায়বসি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা, ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোল (positive mindset) অসিসু লৈতবা য়াদে। হায়রিবশিং অসি শান্নরোয় খক্তগী ৱাফম নত্তে, হীরম খুদিংমক্তনি।

মতৌ অসুম্না অঙাংশিংনা মহৈ তম্বসিসু চপ মান্নে। শোয়রিবদি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদদি মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বসি এগজাম নকশিল্লকপা মতমদতা পাস তৌনবা নৎত্রগা মার্ক য়াম্না ফংবখক খল্লগা তম্নবগুম তম্লি অয়াম্বনা। হোয়, এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংবসিসু মথৌ তাই অদুবু খ্বাইদগী মরু ওইবদি মমুৎ তানা খঙলগা চৎখিবা অমদি তম্লিবা মহৈদু মশা মশাগী নোলেজ ওইহৌবা অদুনি। পাস তৌনবা অমদি মার্ক ৱাংবখক খল্লবদি চিনফা পুবরোমদা লোইনা চৎখিদুনা এগজাম হেক লোইবদা লোইনা কাউখ্রনি। মহৈ তম্বগী ৱাহন্থোক্তি তুং কোইনা লৈহৌগদবা মহৈশিং তমশিনবনি মার্ক ৱাংনা ফংনবখক তম্বা নত্তে।

মহৈ তম্বা হায়বসিসু নোংমগী চাক চরা চাবগুম খরা খরা খাইদোক্তুনা তমগদবনি চাং নাইনা। খুদম ওইনা হায়রবদা নোংমদা পুং অসুক পাবা, ইবা, রিভিয়ু তৌবা, খনবা হায়না লৈগদবনি। স্কুল চৎলুরগা য়ূমদা হল্লক্লগা ঙাইহাক শাজেল তৌরবা, ইরুজ-মায়থজদুনা পোত্থারগা ওজানা তাকখিবা পড়াশিং অদু অমুক হন্না য়েংবা (রিভিয়ু) মথৌ তাই। মতৌ অসুম্না নুংতিগী চাং নাইনা খজিক-খজিক তমদুনা চৎকদবনি। নোংমদা, চয়োল অমদা, থা অমদা লোইনা তম্বা য়াবা নত্তে। অসুম্না খরা খরা নুংতিগী খঙজিন্দুনা, হৈদুনা চৎখ্রবদি এগজাম নকশিল্লক্লে হায়বগী ৱানীংঙাই, পাখৎনীংঙাই করিসু লৈতে। এগজাম ময়াদা নীংশিংবা ওইনা রিভিয়ু তৌরগা য়াগনি। অদুবু লাইবক থীবদি মণিপুরদা চৎনরিবসিদি নুংতিগী স্কুল চৎকনি, ট্যুশনসু ময়াম অমা থাগনি। মতৌ অসুম্না তৌবসিনা য়ূমদা হল্লকপদদি রিভিয়ু তৌবগী মতমসু লৈত্রে, লৈরসু ৱারবনিনা তৌনীংদ্রে, তৌদ্রে। অসুম্না হৈবোই হৈতবোই ময়াম অমা সুম-সুম নমশিন্দুনা চৎখিবনা এগজাম ময়াদা তকখৎতুনা লাইরিক পানবগী হৈনবী, চৎনবীসি লৈ। মসিগী হৈনবী, চৎনবীসি অফবা, অচুম্বা লম্বীদি নত্তে।

টাইৱানদা ইশামক চহী ২৫ হেন্না য়ুনিভর্সিটি অমগী ওজা ওইদুনা লৈরকপসিদা এগজাম নকশিল্লক্লে কায়না মহৈরোয়শিংনা য়াম্না কন্না মপাঙ্গল থোক্তবমখৈ, শান্ন-খোৎনবগা লোইনা থাদোক্লগা লাইরিক লাইশুখক পাবসি তৌনদে। এগজাম মমাঙ চয়োল অমদু খক্তনি রিভিয়ু তৌবা। অতোপ্পা অমনা টাইৱানগী এদ্যুকেশন সিষ্টমদা লাইরিকখক তমদে অতৈ এক্সত্রা করিক্যুলম ময়ামসু লৈরি লোয়ননা ফিজিকেল এদ্যুকেশনসু (exercise and sports) compulsory subject অমা ওইনা তম্নরিবনি। মরম অসিনা মথং চয়োলদা এগজাম লৈরবসু তঙাইফদ্রবা শান্ন-খোৎনবসু তৌদবা য়াদে।

মতৌ অসুম্না চাং নাইনা নোংমদা, চয়োল অমদা পুং অসুক, নুমিৎ অসুক হায়না খরা খরা তমশিনবা, পাশিনবা, খঙজিনবা, শাজেল তৌশিনবা অসিনা য়াম্না হেল্লি মশা মউ ফনা লৈবা অমদি লাইরিক হৈবা। অসুম্না তৌরবদি মার্কসু অদুম ফজরে, খঙবসু খঙহৌরে মশা মউসু ফনা লৈরে অদুগা এগজাম লাক্লে হায়দুনা পাখৎপা, মীপাইবা অমদি প্রেসর হায়বদুমসু লৈত্রে।

অতোপ্পা অমনা, মণিপুর খুন্নাইদা নহারোলশিং অমদি মমা-মপা কয়ানা মতম য়াম্না মাঙহনবসি পাম্মুই। নহারোলশিং কয়া অমনা মমান্নবশিংগা পুনশিন্দুনা মতম য়াম্না মাঙহল্লি। অদুগা মপা ওইবা কয়াসু মমান্নবশিংগা পুন্দুনা য়ু থকপা, ৱারেম ঙাঙবা, জ্বার শান্নবনচিংবা তৌদুনা লৈথোকই, মতম মাঙহল্লি য়ূমদা লৈদুনা মচাশিংবু লাইরিক লাইশু তাকপী তম্বীদুনা মচাশিংদা অফবা মোদেল অমা ওইবগী মহুত্তা। হৌজিক্কানদি মমা ওইবশিংসু লদু শান্নদুনা, লগাও থাদুনা, হাওসি য়াওদুনা, মখোয় মশেল পূনশিন্নবনচিংবা তৌদুনা মতম য়াম্না মাঙহনবসি তারে, উরে, থেংনরে মচাশিং তাকপী তম্বীবগী মহুত্তা। অসুম্না তৌবা মমা মপাশিংগী মচাশিংদুনা মতৌ করম্না পূন্সিদা মায় পাকপা ঙমগদৌরিবনো? মচাশিংনা মী ওইবা ওইদবা হায়বসি মমা মপাদা য়াম্না লৈ।

ইমুং অমা, লৈকায় অমা, খুন্নাই অমা চাওখৎপা হায়বসি ইমুং মনুংদগী হৌগদবনি। তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা অঙাংশিংনা মহৈ মশিং নীংথিনা তমদ্রবদা, মতমবু নীংথিনা শীজিন্নদ্রবদা, মশা মউ ফৎত্রবদা, মমা মপা ওইবশিংনা নীংথিনা, নুংশিনা লোয়নদুনা মখোয়বু তাকপী তম্বীদ্রবদা করম্না অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপা ঙমগদৌরিবা, ঙম্লোই। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগনি ঙসি মণিপুর খুন্নাইগী অঙাংশিং অমদি নহারোলশিংগী হৌনা লোনচৎ, লমচৎ, ৱাঙাঙ শঙাঙ, ফিজেৎ চাকচা খুদিংমক হেন্না হেন্না কায়থরক্লিবা। মসি মখোয় মতোমতনা ওইরকপা নত্তে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মোবাইল ফোন অমমম পায়শিল্লগা মতম মাঙহল্লে অমদি ফত্তবা কয়াসু মতৌ তমশিল্লে।

লোইশিল্লকপদা, ইচাশিং ফহনসি, শেমগৎসি, মণিপুর খুন্নাইবু শেমগৎসি হায়রবদি মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু নুংশিনা লোয়নবীদুনা তাকপী তম্বীয়ু। য়ু থক্তুনা, ৱারেম ঙাঙদুনা, জ্বার শান্নদুনা, লদু শান্নদুনা মতম মাঙহনবগী মহুত্তা। অসুম্না তৌবীরবদি অঙাং অয়াম্বা অফবা মী ওইরক্কনি, পূন্সিদা মায় পাক্কনি লোয়ননা মণিপুর খুন্নাইসি শেমগৎপদা য়াম্না মতেং ওইগনি হায়না থমজগে। য়াইফমিন্নরসি। ●